# ‘মীনাইগী রাজনিতি’

## পোকপদগী লোয়নরক্কদবা ওইরম্মেদা

পীক্লবা মণিপুর খক্তগী ৱাফম নত্তনা মীওইবা হায়বসিগী ‘শীনফম’ (প্রোফেশন)গী মশীং অমসুং মখলসি ওন্থোক্লা য়াম্লমখ্রে। মশীং অমদি মখল য়াম্বা খক্তা নত্তনা ‘শীনফম’ হায়বসিগী থবক-থৌরমশিংদা ‘অরুবা’ নত্তবা ‘অরাইবা’ শীনফমসু য়াওরমদ্রে। হোয়, থবক খুদিংমক পূক্লিং চঙনা, থৱায় য়াওনা তৌগদবনি হায়বগী চুম্লবা ৱাফমসু লৈরিবনি। মসিমক্লা মীওই পূম্নমক্লা মশাগী মথৌশিং পাঙথোক্লবদা ‘জোনে চঙনা’ তৌনরিবনি। মসিগী মথক্তা খ্বাইদগী থাক ৱাংনা অমসুং খ্বাইদগী মরু ওইনা লৈরিবনা মীওই খুদিংমক্লা মশা-মশাগী শীনফমগী তৌগদবা অমসুং তৌরোইদবশিং মশক মুন্না খঙবা হায়বসিনি। শীনফমদুদা হৈবা নৎত্রগা হৈতবা হায়বগী মতাংদদি খঙন-হৈনবা, থবক ওইনা পাঙথোকপা ঙম্নবা থৌওইনা তম্নরিবনি। মসিদি শীনফম পূম্নমক্কী ওইবা ৱানি। খুদমশিংগী মনুংদা লাইরিক-লাইশুদগী হৌরগা ঈশৈ শকপা, পুঙ য়ৈবা, জগোয় শাবদগী হৌরগা লীলা, দ্রামা, ফিল্মনচিংবগী এক্তর ওইবা, ডাক্তর-ইঞ্জিনিয়র য়াওনা শীনফম পূম্নমক ‘তমদনা হৈবা লৈতে’ হায়রিবনি। পাউমী (জর্নেলিষ্ট)গী শীনফম ফাওবদা য়ুনিভর্সিটিগী থাক য়ৌনা তম্নরক্লবনি। শীনফমগী মশীং অমসুং মখলগী মতাংদা পুথোক্তুনা নৈনবা চুম্লোই। মরমদি ওন্থোক্লা য়াম্না পাক-চাউনা লৈখ্রে। পূম্নমক কোনশিল্লুবদা লোইবা খম্বা নাইরোই। অদুবু য়ামখ্রবা শীনফমশিংসিদা তঙাইফদনা অমসুং খ্বাইদগী মরু ওইনা চঙলিবা পোৎচঙদি শীনফমদুদা পুকচেল শেঙনা, শীনফমদুগী কাঙলোন ঙাক্লা অমসুং মথৌ মশক খঙনা পাঙথোকপনি। অতোপ্পা মরু ওইবা ৱাফম অমদনা তম্লগসু হৈরকপা য়াদবা, মশা-মশানা পোকপদগী লোয়নরক্কদবা হায়বদি মশাগী ঈদা অমসুং লুদা-তোংদা পক্তুনা য়াওরক্তবা য়াদবা শীনফম খরসু লৈ হায়বনি। ৱাফমসি শীনফম খুদিংমক্তসু পানশিনবা য়াই। পোকপদগী লোয়নরকপা ‘পীথোরকপা’গা হায়নরিবসিগা মশাগী পামজবা, হৈনজবগা মপা চাদুনা চুশিন-ৱায়শিন্নখ্রবদি মীওইদুনা শীনফমদুদা মায় পাকই। মীকোক থোংই অমসুং ফিদম্নিংঙাই ওইরকই। মসিমক্লা মণিপুরদগী হৌরগা মালেমগী মফম পূম্নমক্তা লৈবা মীওইশিংগী মরক্তগী তোঙান-তোঙানবা শীনফমদা মীওই খরা খক্তবু শক শোন্নরিবনি।

খুদম ওইনা য়ামখ্রবা শীনফমশিংসিগী মনুংদগী মীয়াম্না অৱাংবা থাক্তা থাঙ্গৎতুনা শীংথানৈ হায়দুনা শৈরেং, ৱারেং, ৱারীমচা অমসুং নোভেলগা ইবসিবু তম্লুবা য়াগদ্রা? তোঙান-তোঙানবা লোল ময়াম নীংথিজনা অমসুং মমুৎ তানা খঙলে হায়দুনা লোল অমদগী হন্দোকপা (ত্রান্সলেশন তৌবা) ফাওবদা ‘প্রতিভা’ হায়বসিমা য়াওদবা য়াদ্রিবনি। য়াওদ্রবসু অদুম্মক নম্ফুদা তৌনৈদি হায়ববু মীওইদু কুরাংবান্দা ‘ত্রান্সলেটর’ নৎত্রগা ‘অইবা’ (কবি) মানবগী ৱানি। মসিগী অশেঙবা মতিক-ময়াইদি য়াওদবনিনা মখোয়গুম্বা মীওইশিংগী মশক মীয়াম্না মুন্না খঙই। শীনফম ময়ামসিগী মনুংদা মথেল অমসুং মচল ওইববুদি চৎনরকই হায়ববু ‘মনানা হৈমাং শাবা’গী ৱাফমসিদি অদুম্মক থোরকই হায়বনি। মরমশিং অসিনা হৌজিক হায়বদি চৎলিবা কুমজা ২০২৬সিগী মে থা লোইশিল্লকপা তাঞ্জাসি ফাওবদা মণিপুরগী ওইরিবা ফীভমসিদা য়ামখ্রবা শীনফমশিং লোইনা চিংথোক্লুদ্রবসু ‘পোলিটিক্স/রাজনিতি’ তৌবা হায়বদি লৈবাকসিদা মরোল নাইনা পাঙথোক্লিবা মীখলশিংদা মীরেপ ওইবা-ওইদবা অমসুং মদুদা মায় পাকপা-পাক্তবগী ৱাফম নত্তনা ‘পোলিটিসিয়ন’ শিংসিগী মতাংদদি নৈনদবা য়াদ্রে। মরমদি লৈবাকসিগী লৈঙাক্লোনসি ‘দেমোক্রেসি’ হায়বসিনি। লৈঙাক্লোন অসি করিনো অমসুং মসিগী মরু ওইবা ‘পোৎচঙ-চৈজং’ শিংনা করিনো হায়বরোমদদি কোইথোক্লগুমসি। লৈঙাক্লোনসিগী মতুংইন্নদি মণিপুরগী পোলিটিক্স তৌবা পোলিটিসিয়নশিং অমসুং মখোয়গী পার্টিশিংগী মনুংদা ‘মীনাইগী রাজনিতি’ তৌবা য়াওবদগী ঙসিগী ফীভমসি ওইরক্লিবনি হায়বসিদা চুমদে অমসুং লাল্লি হায়দুনা ৱাহৈ খক্তদা ওইরবসু ‘তুবৎ-থবৎ’ ককপা ঙমগদবা মীওই থোরকখিগদ্রা? অসুম্মাইনা ককপা শুকঙম ঙম্লরোইদবা পোলিটিক্স তৌরিবনি হায়বা মীওইশিংগী মশীং লেপ্তুনা য়ামখৎলকপনা মখোয়গুম্বশিংসিগী পার্টিগী মশীংসু চেঙ্গুম শৌবদৌনা শৌগৎলক্লে। মখোয়সিগী মশীংসু য়াম্না য়াম্মী। অদুবু অমা খক্তমক লৌখৎলবদা লৈবাকসিগী করম্বা ষ্টেট নৎত্রগা য়ুনিয়ন টেরিটরিদা লৈবনো, মচেৎ-মকাই (কাঙলূপ, ফেক্সন) কয়াম য়াম্না থোকপনো, পার্টিদুগী চৎন-পথাপ (কন্সটিটুট্যশন) অমসুং ৱাখল্লোন ‘আইদিওলোজি’ দুগা মণিপুরগী লৈবাক-লৈহাও অমসুং লৈশাগা পকশিন-ৱায়শিন্নব্রা-ৱায়শিন্নদব্রা হায়বা ফাওবা খঙজদবা, কনানা, করম্বা কাঙলূপ্পা করি তৌরুবদগী পীরকপনো হায়বসু খঙদনা মমিংগী মমাঙদা ‘ডাক্তর’ হায়বা ৱাহৈগা হাপচ-নপচবা, শীজিন্নজবা ‘তম্বা নুপা’ খরা লৈরক্লে!! কম্মাই তৌসিগে? মখোয়গী খোঙ্গুল লিরুবদা, মখোয়না তৌখিবা থবক-থৌরমশিং অমসুং ঙাঙথোক-শক্তোকখিবশিংগী মার-খোঙ্গুল লিরুবদদি মখোয়সি অওন-অওন চাবী ‘নুমিৎ-লৈ’ ওইরম্লে। অকনবা লান হৌরকখিবা মে ৩,২০২৩গী মতমদা লৈখিবা লৈঙাক্তুবু লুচিংখিবা নুপাদু য়াওনা মহাক্কী লৈঙাক্তুবু অতিয়া পক্লা ৱাংনা থাঙ্গৎখি। লাপখ্রবা দেল্লীদা অমসুং মহাক্লা মতুং ইঞ্জরিবনি হায়রিবা পার্টিগী পোকফম-লৈফমনি হায়রিবদুদা মহাক্কী পার্টিসিগা বি জে পিগা খূৎশম্নদুনা অমত্তা ওইনা চৎমিন্নব্রা চৎমিন্নদব্রা হায়বসু খঙদে। বি জে পিবু পঙথাদা থাগৎখি। কোংগ্রেস য়াওনা অতৈ ওপোজিশন পার্টিশিংদা ওনশিল্লগা পঙচিক্তা চীকখি। তৌসনু, হিংজ্রোং-কাইজোংনবা মণিপুরগী ফীভমসিদগীনি হায়না খল্লুবনি। অদুগদি হৌজিক য়ূম্নাম খেমচান্দনা চীফ মিনিষ্টর ওইরক্লগনা ‘ফম থাদোক্লো, রিজাইন তৌরো’ হায়বা হৌরক্লে। লান হৌরকপদা লৈখিবা লৈঙাক্তুসু বি জে পিনা লুচিংবনি। হৌজিক্কসিসু চপ মান্নে। ৱাঙাঙ হোংলক্লিবসিবু মীখল নকশিল্লকপগীরা নৎত্রগা ‘মীনাইগী রাজনিতি’ হায়বদু তৌরক্লিব্রা হংবনি!!

## মীতৈগী পুয়া ‘নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা’ (নিংথৌরোল লম্বুবা)-(৭৯৫)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

মালং নোংলৈ নুংশিৎতুমবা। নোংথৌরেল মৈদিংঙুনা। মাইকৈ নোংপোক থংবা লম। লমলেল ৱাইরৈরিং লম। অরেমবা থেলতেং লৈবাক। লৈতানপোক চাখা শনলুংফম খোইবু চীঙকা লম। ৱাংজিঙ লোকচাও ঈ। চীপী লোকচাও পুঙ। হৈরোক লমদম অচলবা। লেংখু লমমাপাক। লেংলেল লমমচুমপ। তুংওই নাতৈননা। চাতাৱাবা খাংখা নুংহেকপা লুশিলৱাই। খুমল নাওফম হকচাওচাও। মরোই হাওরা নুঙতেকচা। ●

## ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ' (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -(꯷꯹꯵)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯀꯄꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄꯥ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯖꯔꯒꯅꯤ॥)

ꯃꯥꯂꯪ ꯅꯣꯡꯂꯩ ꯅꯨꯡꯁꯤꯠꯇꯨꯝꯕꯥ॥ ꯅꯣꯡꯊꯧꯔꯦꯜ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨꯅꯥ॥ ꯃꯥꯏꯀꯩ ꯅꯣꯡꯄꯣꯛ ꯊꯡꯕꯥ ꯂꯝ॥ ꯂꯝꯂꯦꯜ ꯋꯥꯏꯔꯩꯔꯤꯡ ꯂꯝ॥ ꯑꯔꯦꯝꯕꯥ ꯊꯦꯂꯇꯦꯡ ꯂꯩꯕꯥꯛ॥ ꯂꯩꯇꯥꯟꯄꯣꯛ ꯆꯥꯈꯥ ꯁꯅꯂꯨꯡꯐꯝ ꯈꯣꯏꯕꯨ ꯆꯤꯡꯀꯥ ꯂꯝ॥ ꯋꯥꯡꯖꯤꯡ ꯂꯣꯛꯆꯥꯎ ꯏ॥ ꯆꯤꯄꯤ ꯂꯣꯛꯆꯥꯎ ꯄꯨꯡ॥ ꯍꯩꯔꯣꯛ ꯂꯝꯗꯝ ꯑꯆꯜꯕꯥ॥ ꯂꯦꯡꯈꯨ ꯂꯝꯃꯥꯄꯥꯛ॥ ꯂꯦꯡꯂꯦꯜ ꯂꯝꯃꯆꯨꯝꯄ॥ ꯇꯨꯡꯑꯣꯏ ꯅꯥꯇꯩꯅꯅꯥ॥ ꯆꯥꯇꯥꯋꯥꯕꯥ ꯈꯥꯡꯈꯥ ꯅꯨꯡꯍꯦꯛꯄꯥ ꯂꯨꯁꯤꯜꯋꯥꯏ॥ ꯈꯨꯃꯜ ꯅꯥꯎꯐꯝ ꯍꯛꯆꯥꯎꯆꯥꯎ॥ ꯃꯔꯣꯏ ꯍꯥꯎꯔꯥ ꯅꯨꯡꯇꯦꯛꯆꯥ॥ ●

# শূঙৈকান



## ৱাইরু-ৱাইরুবদা

মহৌশা ঐনা চহী কুন্থ্রামঙারোম শুরকপা অদুগা ঐগী নুপীনা চহী কুনমঙারোম শুরকপা মতাংনি। পীক্লিবী ইচানুপী অদু ঐগী বাইককী থাউ টেঙ্কিদা তোংহল্লগা ইম্ফাল ইষ্টকী তখেল অমদি শঞ্জেনবমলোমদা কোয়বা হেক হেক চৎখিবদু নীংশিংলকই। বাইকসু অহনবা, মীসু অহনবা ঙাক্তা, পূম্নমক অহনবা ঙাক্তা!

ঐসু লুহোংবা চহী তরেৎ/নিপালগা ঙায়রকপগী শক ফজরিঙৈনি (খরা হায়জরে ৱারৌবিবা য়াদ্রে!), মৌ নহা ওইবগী ঐগী নুপীসু শক কন্না ফজরকপগী মতাংনি। ইচানুপীদুমসু মমা লৌদুনা কন্না নুংশিখৎলকপগী মতাংনি। পূন্না চপ মান্ননা মপূং ফামিন্নরকপা তাঙ্কক্লি। চীংজিলগী মতম অদুদা নুমিদাংৱাই তখেল হেন্দোক্লগা কাঙহু চীংজিল্লোমদা অমুক হাইথৈ। মফমদুগী নুংথিল নুমিদাংৱাইরমগী ফজবা অসিদি!

তখেল, শঞ্জেনবম, কাংহুচীংজিন অমত্তা য়ৌদ্রিঙৈ, মমা মচাবু ঐনা ফোটো নম্বীখি তিনসিদ চীংগী চীংথক্তা। হকচিক লাংলবা নুমিদাংৱাইরম মফমদুদগী ইম্ফাল্লোমদা য়েংথোরকখিবদা লাপ্পা উখি পোরোম্পাৎকী দি দি কেগী টৱার অমদি পোরোম্পাৎকী ৱাটর সপ্লাইগী রিজার্ভর। চীংদগী লৈ লৈদুনা য়েংবদা ফজদবা মফম অমত্তা উদে। ঈংলবা শেংলবা নুংশিৎ মনম মহা চেন্দ্রবা, উচেক ৱায়া কয়াগী মখোল লাপ্পা অমদি নক্লা তাই।

শঞ্জেনবম য়ৌরগা মদুদগী চীংমায় থন্না উচান পাম্বীশিংনা শাহৌ ফনা লেপ্লিবদু উরকই। নুংশিৎ নুংশাদা উচান পাম্বীশিং মচি লেঙদে। অদুদগী অমুক গাড়ী খরা থৌরগা তখেলগী তম্পাক্লম ওইবা লৌবূকশিং উরকই। লৌবূকশিং ফাওনা থেক্লা খোয়না চৎলিবা লম্বী অদু ঈপাক্তা ঈরোইদুনা চৎলিবা লীন অচৌবা অমা ওইনা উই! লম্বী অদুদা ব্রেক ফা-ফাদুনা চীংথক্তগী নুপী অমদি ইচানা ঐঙোন্দা খূৎপায় চেৎনা কোল্লগা তপ্পা-তপ্পা থৌথৈ। তখেলগী লৈতেম মান্নবা লম্বী য়ৌরগা অশংবা ফৌনাশিংনা মোইরাং থোইবীগী শাথেক্তা মালং তাম্থা চানা জগোয় শাথেক তম্লিবদু মনাক নক্লা উখি। মদুদগী অমুক তখেল অমদি কাংহুচীংজিলগী মরক্তা ফাওদুনা চৎলিবা নূংলম্বীদু ঙাইহাক লৈরগা অমুক উরকই, কয়াদা সুক্ষৎলিবা!

“ওজা, নহাক্কী গাড়ী খূৎখামসিদি মতুংদগা চৎমিন্ননীংদে” শাউরপ্পা ঐগী নহা ওইরিবী শকহেল্লবীদুনা হায়রকপনি। মহাক্লা ঐবু ওজা হায়না কৌই। কৈনোমা হেক উবগা ঐনা ফোটো কাপকনবা মতৌসে মানা খোয়দৌ প্রোক প্রোক চাকপীনি। অসুম্না হায়রক্কনি হায়বসি ঐনা হান্না চীনফা পুরবনি। হায়সু হায়বনি, ঐসে কৈনোমতা হেক উবা য়াদে, ফোটো কাপচগনখ্রবা। ফজনা খঙগনখ্রবা হায়বদুনি। মাদি ফোটোদা থৱায় য়াওদে। মাগীনা গাড়ী তোংলগা পঙচত্তা চৎপা। হোয়, ঐগী ফোটো খূৎকাপসিসু খরা হেনমনবা হায়বদুনি। মনবা অমসু য়াওরি ঐগীসু। অসুম্না ঐনা মখোয়বু লৌবূক ময়ায়দা শাংনা চৎলিবা তখেলগী লম্বীদুদা পঙখামদা খাম্লগা, থৱায় তানা ফোটো কাপ্পী। লৌপাক্তা লৌ পেংলিবী ইতৈমশিং অদুনা ঙাঙনরিবা, লাঙলিবা ময়াম অদু ঐখোয়দা ওইরমগনি হায়বদু ঐনা অসুম খল্লি। মখোয়না ৱা-ৱা নোক্লিবদো ঐখোয়দনি খঙই। ঐখোয়গী ইতৌদু শোয়দনা লক্কনীংগনি হায়বা ঐসু অসুম খঙই। মখোয়না অদুম্না লঙনরগা মখোয়সু অমরোমদা লৌ পেংবগী অৱাবা কাউরিবনি।

কাংহু চীংজিলদা ঐগী নুপীগী মমাগা হেক পোকমিন্নবী মমাবোক অমা লৈ। মাগী মনাক্তা চৎলগা চমপ্রা হেক্লুবা। মমৌ নুপীনা অপানবমখৈ অমত্তা খাক্তনা ঐখোয়দা লোইনা পীথোক্লগে হায়বগী খূৎহেক্লি। মশূশিংগী ইচম চম্বা নুংশিবা মতৌ, মফিনা নান্না নান্না শেৎপীরিবা থোনবীরিবা। অঙাংশিংদো, মখজাই মচাশিংদো হেক শীক্লিংবা হায়বদো ঙাক্ত। জিত্তঘগী তরু তনানবা পীক্লবা য়ূমদো ঙম্লবা ৱাংলবা চীংমায়গী নাপোমদগী লোইরোইননা নেমথরকপা মফম অমদা তেমথোক্লগা শাবা য়ূম্নি। খোঙ্গং খূকংনা নুংঙাই।

ঐগী নুপীগী মমাবোক্কী মমৌনা চা হাউনা লোল্লগা পীথকই। চাগী মহাউ মফম অদুদা লৈরম্মী। ৱারুবগী তেকখৎলি। ঙা, চাক, ঈরাংঙা হায়রগদি কাঙহু চীংজিল, খারাসোন নীংশিংলকই। য়ূমদা হল্লকপদা ঙা লৈরকই, ঙমু, ঙাক্রা, ঈরাংঙা কিলোদা ওল্লগা। ঐখোয় অহুম হল্লকপগী লম্বীদা মফমদুগী শকহেল্লবী, মশা ফরবী লৈশাবীশিংনা ঈশিং শোকপা চৎলম্বা উই। ঐ মখোয়বু য়েংনীংদুনা গাড়ী খজিক্তং তপ্লপ্পা থৌই।

“গাড়ী লোংশিনবা তারেনে তপমল্লে, নীংথিজনা থৌ” তুংদা বাইক তোংলিবী ঐগী নুপীনা মোং হাদনা হায়রকই। মানা হায়রিবদো ঐ ৱাহন্থোক খঙবনিনা নোক্লিংখি। য়াম্না চুম্না হায়রকই। নমীৎ ঙাওগনু হায়বা ৱাহৈ হাপচদবগী ৱানি।

“গাড়ী অসুক ফজনা থৌরিসে কৈদৌরগে?”

অসিগুম্বা ঙাঙনখিবা ময়াম অসে ঙসিসু অমুক ফুৎ ফুৎ ফাওগৎলকই নীংশিংবগী শাবোল ওইনা। ফজখিদবা অমত্তা লৈখিদে মতমদো, নুংশিখিদবা অমত্তা লৈখিদে অদুগুম্বা মতমদো।

হল্লকপগী লম্বীদা, শঞ্জেনবম য়ৌরকপদা হৱাই মঙ্গল অকেম্বগা মোরোক অতেকপগা চা বোরা কৌদুনা ঐখোয় অহুম চামিন্নে। পূম্নমক ঐগী ৱাখলদা মরোল মরোল নাইনা অমত্তা তেক্ত-কায়দনা থুপ্লগা থল্লি। মতমদুগী ৱানি।

নোংমা কোয়রুসিরা?, হোরেল কোয়রুশিরা? মহৌশাগুম্না নুংঙাইবা ঙমখিগদ্রা? কাঙহুচীংজিলগী ইমাবোকসু লৈখিদ্রে। ইমাবোক্লা ঐনা ইবা রেদিও লীলা তারগা নুংঙাই হায়বিবদো হায়বিনবা লৈত্রেদো। ইমাবোক্লা থৌনা হাপখিবদু অমুক হন্না তাবা ফংলরোই চৎনীংদ্রেদা মখোয়দগা। হৌজিক্তি মাগী মশূশিংদু লোইনা লৈশাবী মপূং ফারম্লগনি। ঐগী ইচানুপী সনাতোম্বীফাও লৈশাবী ফারে। হোয়, লৈশাবীনিবুদি হায়নীংদেদা। নীংশিং চেনাশিং হাংদোক্তুনা ঙাইহাক্তি শান্নমিন্নরে নীংশিংবগী লমদমগী ঙসিদি। ●

# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ কেমোমাইল # ৫৪০

— প্রো. হুইদ্রোম বীরকুমার —
চীফ সাইন্টিষ্ট
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিটুট্যট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

মীওইবনা কান্নরবা হীরম কয়ামরুমদা শীজিন্নবা পাম্বীশিংগী মনুংদা কেমোমাইল (Camomile নৎত্রগা Chamomile) অসি মরু ওইবা অমনি। কেমোমাইল পাম্বী অসি চাওরাক্লা মখল অনী লৈ। মখোয় অদুদি (ক) জর্ম্মন কেমোমাইল-পাম্বী অসিগী সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা মেত্রিকেরিয়া কেমোমিলা (Matricaria Chamomilla L.) নৎত্রগা কেমোমিলা কেমোমিলা (Chamomilla Chamomilla L.) Rydb.) নৎত্রগা মেত্রিকেরিয়া সৌভিওলেন্স (Matricaria suaveolens L.) হায়না কৌই অমসুং এসতরেসী (Asteraceae) শাগৈগী মনুং চল্লি। জর্ম্মন কেমোমাইল পাম্বী অসি হঙ্গেরিয়ন কেমোমাইল (Hungarian Chamomile) নৎত্রগা ৱাইল্ড কেমোমাইল (Wild Chamomile) নৎত্রগা ব্লু কেমোমাইল (Blue Chamomile) নৎত্রগা সেন্টেদ মেৱীড (Scented Mayweed) হায়নসু খঙনৈ। (খ) গার্দেন কেমোমাইল (Garden Chamomile) নৎত্রগা রোমান কেমোমাইল (Roman Chamomile) নৎত্রগা ইংলিস কেমোমাইল (English Chamomile) নৎত্রগা লো কেমোমাইল (Low Chamomile) নৎত্রগা গ্রাউন্দ এপল (Ground apple) নৎত্রগা মদরস দেজী (Mother's daisy), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা কেমোমেলম নোবাইল (Chamaemelum nobile (L.) All.) নৎত্রগা এন্থেমিস নোবিলিস (Anthemis nobilis L.) হায়না কৌই অমসুং এসতরেসী শাগৈগী মনুং চল্লি। শাগৈ অসিদা চনবা মরু ওইবা পাম্বী খরদি নুমিৎলৈ (হেলিয়ান্থস এনস), কুশুমলৈ (কার্থামস তিঙ্কটোরিয়স), উচি-শুম্বল পাম্বী (ইক্লিপ্তা এলবা) অসিনচিংবনি। কেমোমাইল পাম্বীগী জিন্স কেমেমেলম হায়বসি গ্রীককী ৱাহৈ কেমাইমেলোন (Chamaimelon) অসিদগী লৌথোকপনি। কমায় হায়বদি লৈমায়থক অদুগা মেলন হায়বসিনা এপল (সেম) হায়বনি, হায়বদি আর্থ-এপল (Earth-apple) হায়বনি। হায়বগী মরু ওইবা ৱাহন্থোক্তি এপলগী মনম নম্বা পাম্বী হায়বনি। ইংলিস কেমোমাইল পাম্বীগী স্পিসিসকী মমিং নোবাইল হায়বসি লেটিনগী ৱাহৈ নিয়ু (Neu) হায়বদি নোবল (Noble) হায়বদি পাম্বী অসি মীওইবগী হকচাংদা থোইদোক হেন্দোক্লা কান্নবা মগুণশিং য়াওই হায়না থাজনবা অদুদগীনি। গার্দেন কেমোমাইল অসিনা জর্ম্মন কেমোমাইলদগী হেন্না মগুণ লৈ।

গার্দেন কেমোমাইল অসি য়ুনাইটেদ কিংদম, আইরলেন্দ, স্পেন, পোর্টুগল, মোরোকো, এলগোরিয়া অমসুং এজোস লমদমশিংদগী হৌরকখিবনি অদুগা জর্ম্মন কেমোমাইন অসিনা খা অমসুং নোংপোক থংবা য়ুরোপ, অৱাং নোংচুপ এসিয়াগী লমদমশিংদগী হৌরকখিবনি। অদুবু ঙসিদি কেমোমাইল মখল অনী অসি পৃথিবীগী অয়াম্বা মফমশিংদা পাক-শন্না থানখরে। কেমোমাইল পাম্বী মখল অনী অসি খেন্নবা কয়ামরুম লৈরবসু, মপূং ওইনা য়াওবা ফাইটো-কম্পাউন্দশিং অদুদি কৌমেরিন (Coumarin), ফ্লেভোনোইদ (Flavonoid), পোলিফিনোলশিং মরু ওইনা এপিজেনিন (Apigenin), কোইরসেতিন (Quercetin), পেতুলেতিন (Patuletin), লুতিওলিন (Luteolin) অমসুং দেফনিন (Daphnin) শিং য়াওই হায়না Mckay অমসুং Blumberg (2006) অমসুং El Mihyaoui A অমসুং Esteves da Silva (2022) দা পাউদমখি।



কেমোমাইল পাম্বীগী লৈ অসিদা মনম য়াম্না নুংশিবা থাউ অমা য়াওই। মরু ওইনা গার্দেন কেমোমাইল পাম্বীগী থাউ নৎত্রগা শুমদুনা লৌবা মহী অদু শমগী থাউ অমসুং নুপা-নুপীগী অকে-অমৌ অমদি মায়তৈ হীদাক শাবদা পাক-শন্না শীজিন্নৈ। পাম্বী অসিগী মপাল অদু চা ওইনা হায়বদি গ্রীন টি (Green Tea) ওইনা পাম্না থক্লবগী মথক্তা অচাঅথক কয়ামরুমদা মহাও হেনগৎহনবা ওইনা হাপনৈ। পাউদম খরগী মতুংইন্না কেমোমাইলগী থাউ অদু অনা-লায়েং খরা (এরোমাথেরাপী) মরু ওইনা পূক্লিং-ৱাখল লৈতাদবা অমদি তূম্বা য়াদবা অদু মপূং ফানা তূমহনবগীদা লায়েং হীদাক ওইনা শীজিন্নৈ।

অরিবা লায়েং পথাপ্তা রোমান কেমোমাইল পাম্বীগী মপালগী থাউ অদু চীন-খৌনাও অমসুং শ্বর হোনবা নুংঙাইতবদা হীদাক ওইনা শীজিন্নরক্লি। অশাবা ঈশিংদা পাম্বী অসিগী থাউ অদু দ্রোপ খরা থাদরগা মদুদগী কারকপা অশাবা মনিল অদু শ্বর ওইনা চিংশিন্দুনা থবাক খেবা, লোক থুংবা অমসুং শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা অদু লায়েংবা অসি জর্ম্মনিগী লৈঙাক্লসু অয়াবা পী। Wurtenberg Pharmacopoeiaগী লায়েংদা রোমান কেমোমাইলগী লৈগী থাউ অদু অশোক-অপন তৌবা, তুশিন্দুনা শীংলি-নাওরি থুপ্তুনা তোংশা কায়দুনা চীকপা-নাবা তৌবদা তৈদুনা লায়েংনৈ। পাউদম অদুনা মখা তারদুনা পাম্বী অদুগী লৈ অদু ঈশিংদা চা ওইনা লোন্দুনা থকপদা চাবা তুমদবা অদুদা থোইদোক্লা কান্নবা ফল ফংবা ঙম্মী। পুক নুংশিৎ তোয়না কাবদসু মহী অদু পীথকপা য়াই। হায়রিবা মহী অদু চাং নাইনা পীথকপদা হক্কী ঈশিং য়াম্না লীক্লা চৎপা অমদি ঈশিং-য়াফম তৌবদসু য়াম্না ফবা ফল ফংবা ঙম্মী। অদুবু পাম্বী অসি মীরোলবী অমসুং খোমজিংলিবী মমাশিংনা হীদাক ওইনা শীজিন্নবদা অখঙ-অহৈগী পাউতাক য়াওদনা শীজিন্নদনবগী চেকশিন ৱাহৈশিং লৈ। পাম্বী অসিগী থাউ অদু সাপোন অমসুং য়ু মখল খরা শাবদা শীজিন্নবগী পাউদমশিং লৈ। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১৩৭কী ৱাহং

১) “তপথদ্রবা থমোইবু থেমজিল্লদুনা
লাঙ্তক্লরবা পুক্লিংবু ফাথরদুনা
ঙাইরি ঐ
অঙৌবা খুনুনা পাইরকপা”
মথক্কী পীজরিবা শৈরেং মতেক অসি শৈরেংগী লাইরিক অমদা য়াওবনি। শৈরেং অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং অমসুং অইবা অসি কনানো?

২) “মায়াবিনী” হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসি মণিপুরগী মপানগী অইবা অমনা ইবা লাইরিক্লি। অইবগী মমিং করি কৌবগে?

৩) “থৈবোঙদগী হৈগ্রুনা চাউবা হেনবা” হায়বা অঙাংগী লাইরিক্তা য়াওবা ৱারী অসি কনানা ইবগে অমসুং করম্বা লাইরিক্তা য়াওবগে?

৪) “নবাব-নন্দিগী” (১৯৭১) হায়বা লাইরিক অসি অতোপ্পা লোলদগী মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক অমনি। ট্রান্সলেটর অসি কনানো?

৫) “য়েন্নীংথা থুংলরে পাম্মুবী” হায়রিবা লাইরিক অসিগী অইবগী মমিং ইয়ু?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।